# সলাই তরেৎ পোকপগী ব্ৰারী লিখুন

**— চীংঙাখম সুরচন্দ্র (ইবোচা) চেংলৈ ঙানবা —**

***তাইবঙপান*** মপুনা, তাইবঙপান অসি মনুং ওইনবা শেম্মকপদা হংকো (লাইগী চক) ৪ চঙখি। হংকো ৪ অসিদা লাইগী নিংথৌ ১০৮ পানখি। অপূনবা কুমশিংনা কোটি ১৯, লাক্ষ ৫৫, লিশীং ৮৮,৯০৫ নি হায়না মাইচৌ লাংওন ইবা লাইরিক্কী মনুংদা ইদুনা তাক্লি।

ক-হংকো চক্তা অতিংকোক মরু শিদবনা অহানবা করিসু লৈত্রিঙৈ, ইমম মম্না, ইতিং-তিংনা, ইকোক-কোক্না মথন্না পাল্লে হায়বগী তাইবঙপান মপু মাগী কোলোইবু অতিংকোক মরু শিদবা কৌনা মিংখৈনৈ। থোই হংকো চক্তা অতিয়া শিদবনা পাল্লে। তয়ো হংকো চক্তা কোনচিন তিংথোকপা লৈনুং লোনচা অরিবা, কোংলৌতোন লৌথিবনা মালেম লৈথিন কায়রে। মথংদা কোরৌবনা পাল্লে। পোই হংকো চক্তা কৌবরেন্না পাল্লে। চকপরোন্না পানখিবা মতম অসি অমম্বদগী অঙানবা খজিক্তং উরকপদনি।

হংকো মরি অসিগী মথংদা হয়ি চক্তা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক, কংলৈপুঙ অসিগী মমিং তিল্লীকোক্তোং অহানবা কৌই, লৈতাং কাংওইপুসু কৌই। হায়া চক্তা মুৰা পল্লি সনা লৈয়োন কৌই। খুনুং চক্তা মিরা পোংখকলম সনা লৈয়োন কৌই। কোন্নচক্তা হান্না শেম্বা কোন্না লোয়বা, কংলৈ সনা পুঙময়োন কৌই। চক মরি অসিদা পানবা লাইগী নিংথৌ ৪১৪ নি। অসিগী মনুংদা নোংতা লাইরেন পাখংবদগী হৌনা পাল্লকপা নিংথৌ ৪৪ অসিসু মনুং চল্লি।

আতিয়া মরু শিদবনা মপারি অহন সনামহীদা তাইবঙপান অসিদা খুন লেপ্তুনা লৈতা-খুন্দাহন্দুনা পানহন্নবগীদমক তাইবঙ মী শেম্মো হায়না থৌশিখি। অদুগী সনামহীগী মমিং অশিবা কৌই। মরুগী য়াথং মতুং ইন্না অশিবনা শেল্লে। মরুনা য়েংবদা নত্তে, হায়রবদা অশিবনা অমুক শেল্লে। মরুনা অমুকসু নত্তে হায়খি। মথং অমুক শেম্বদসু মরুনা তাইবঙ মী নত্তে হায়না হন্না হন্না হায়রবদা অশিবদি ইকায়রদুনা তাংজ লুক্কা লৈরে। মতৌ অদু উরবদা মরুনা হায়রকখি, হে পারি চরৈহন, নপা ঐঙোন্দা য়েংঙকউ, ঐগী মিৎ নহাগী মনুংদা করি লৈবগে, মুন্না য়েংঙু অসুম্না তাকপীখি। অশিবনা য়েংবদা মরুগী মিৎ নহাগী মনুংদা মাগী শক্তমগী মমি তাবা উই হায়খি। মদুদা মরুনা নঙনা উরিবা শক্তম অদু কায়দনা মান্না শেম্মু হায়খি। অশিবনা শেল্লে। শেল্লিবা মী অদুগী মমিং মরু-মী কৌবীরে। অদুগা অশাই অহানবদা শেমখিবা অদুগী মমিং ঙমু হায়না কৌবীদুনা ঈশিংদা লংথদুনা লৈহল্লে। অনীশুবদা শেম্বা অদুনা য়োং হায়না কৌবীদুনা চীংদা লাউহল্লে। অহুমশুবদা শেমখিবা অদুগী মমিংনা হঙোই হায়না কৌবীদুনা তমদা লাউহল্লে। তমদা লাউবদি শাককপা, ৰানকাবা, ককশুবা, তোনকোনবা, পিতিং কোই, লাম্বীচা, মলিয়া কৌবা মখোয় তরেৎ অসিনা খুনুং চক্তা পাল্লে।

অকোনবদা শেম্বা মরু-মী অদুগী থম্মোয়দগী ঙান্না চোংথোকখি। লাইদি থাংজিংনে। মমিংদি তিনঙাংলেন সেন্ত্রেংবা লৈহিংচি কৌই। মানা ঙানবা পোকই। ঙানবদি নুমিৎনে, মঙাং মরু শিদবনে। কুচু ঙাঙই। নূং-পাৎ-উ-দি নুংচেংদা লৈ। নুমিৎকী শাগৈনে।

মরৈ অশাংবদগী শাংনা চোংথোকখি। লাইদি সোরারেন্নি। মমিং তিনলাংলেন লৈশনচি কৌই। কুচুদি শংনা শনবা অতিয়া মচুনে। মানা সারাং পোকই। সারাংনা লৈশাং পোকই। চেংলৈ সারাং-লৈশাংথেম ওইখি। নূং-পাৎ-উ-দি লৈতাংদা লৈ।

লৰাই লিনফুদগী ৰাংনা চোংখৎখি। লাইদি কৌবরুনে। মমিং তিনপাক্লেন হিং-কিং কৌই। কুচুদি হিগোক্লে। মানা লুৰাং পোকই। নূং-পাৎ-উ-দি লম্ফেন্দা লৈ।

মেমানবনা খাবা পোকই। লাইদি খমচিংকোন্নে। মমিং তিনশংলেন লৈহিংচি কৌই। কুচুদি মেমানবনে। নূং-পাৎ-উ-দি তাক্লাদা লৈ।

মখূৎ য়েৎ থংবদগী চোংথোকখি। লাইদি ঈমুরাবা ৰাংবরেন্নে। মমিং তিনমুরেন লৈহিংচি কৌই। কুচুদি কুমলং মচুনে। মানা খুমন পোকই। নূং-পাৎ-উ-দি পুমলেন্দা লৈ।

মখোরিদগী তঙৌ তরেংনা চোংথোকখি। লাইদি অঙৌবা পুরৈরোম্বনে। মমিং তিনঙৌরেন কুপত্রেংবা লৈহিংচি কৌই। কুচু ঙৌই। মানা অঙোম পোকই। নূং-পাৎ-উ-দি কোংবা মৈরোম্বীদা লৈ। থাগী শাগৈনে।

শিনুংদগী মরাং মরাংনা চোংথোকখি। লাইদি ফমতোম অরিবনে। মমিং তিনশংলেন লৈহিংচি কৌই। কুচুদি অঙৌবগা অমুবগা লাংই। মানা মোইরাংপোকই। নূং-পাৎ-উ-দি লোক্তাক্তা লৈ। সলাই তরেৎ পোকপগী নোংলোন শাকোক কৌবদি অসিনে (নোংলোন শাকোক)।

মরু-মী মাগী হকচাংবু লাই পাখংতরেৎনা শেৎন খাইনদুনা মহৈ মহৈ লৌনখি। অদুগী শাখৈ (শাগৈ) তরেৎ কৌবনি। সরাং-লৈশাংথেম্না থোপ লৌই। খাবা-ঙানবনা তোং লৌই। লুৰাংনা উন লৌই। অঙোম্না কোক লৌই। পাখংবনা শিনুং লৌই। খুমন্না মচুম লৌই। মোইরাংনা শিংলি লৌই। অসুম্না শাগৈ তরেৎকী বীজ অসিবু খঙজরবদি ইপা ইপু মশক খঙজবা কৌবনি। মসিবু চেৎনা নীংজরবদি মহয় ফংবনি হায়না 'নোংলোন শাকোক' কৌবা খূৎই লাইরিক্তা ইদুনা তাক্লি।

শাগৈ, সলাই তরেৎ পোকপগী মপোক থা, মপোক নুমিৎ ঃ- লাইনিংথৌ পাখংবনা ইঙাগী থানিন নুমিৎকী নুমিৎ য়ুংবা ঙকয়া শগোনশেন নুমিৎতা পোকই। থৰানমিচাক থায়ায়না পাল্লি। ঈরাৎ থৌনি তৌবদা চঙবা পোৎলমশিংদি - নুংশেংগী ঈশিং, থম্বান অঙাংবা, থমচেৎ, থম্না, ঙাদি শারেং ঙাংলৈনবনে। থাঙদি চপথাঙ, মৈদি মৈবা চিংলগা লৌগনি। শীংদি সহীনে।

লাইনিংথৌ চীংৰাংলক্কী নোংথৌ সোরারেন, অঙৌবা পুরৈরোম্বনা ইঙেন থাগী মাকমৈ তরানিথোইনি নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক য়ুথক্তা পোকই। থৰানমিচাক থাদোন্না পাল্লি। থৌনি পোৎলমদি কোংবগী ঈশিং, থরো অঙৌবা, লারোং, হৈবুং, শরেং ঙৌরুনবা, নাহাইবদি তাইরেন মনা মতোন্দা অহুম লোংবনে। থাঙদি পুকপ থাঙনে। মৈদি মৈবা চিংলগা লৌগনি। শীংদি উপন্নে।

পোইরৈতোন্দি লুৰাংনে। ৰাকচিং থাগী নিনমাং তরানিথোই ইরাই নুমিৎকী নোং ঙানলমদাই চীংখৈ হুনলকপা মতমদা পোকই। নাওরোইবীদি পিয়াইনুনে। থৰান মিচাক নোংথৌ শিদবনা পাল্লি। মৈদি কম্বীদা হৌবা খোইজু মৈদগী লৌগনি। নাহাইবদি উখোক মতোন্নে। লাদি লারোং, মেলৈ, কিহোম, শরেং হিগোক মচু চঙবা, লম্ফেনগী ঈশিং, হৈক্রুগী শিং অসিনে।

খুমন্না শজিবু থানিন লৈপাকপোকপা নুমিৎকী অহিং নোংয়াইদা পোকই। থৰানমিচা থায়ায়না পাল্লে। থৌনিবগী পোৎলমদি পুমলেনগী ঈশিং, লৈশেং, শরেং অমুবা, চংবী লা, হৈবোং, পুংফাই, মতোন ককপা থাঙ, চাউখোং শীং অসিনে। মৈদি মৈথাঙ তরেৎলক লৌরগা থৌনিগনি।

মোইরাংনা লমতাগী নিনমাং ১২ নি থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং য়ুথক্তা পোকই। থৰানমিচাক চিংচারোইবীনা পাল্লি। থৌনি পোৎলমদি লোক্তাক্কী ঈশিং, য়েরুমলৈ, খাংগ্রা, শরেং অরাংবা, কাঙ্গ্রৌ হৈ অসিনে। লৌহিংনা নাহাইগনি। মৈথাঙ অহুম্লক লৌরগা থৌনিগনি। থাঙদি য়েনবা মতোক শাবনি। শীংনা কুহিনে।

সরাং-লৈসাংথেম্না ফাইরেন্থাগী নিন্দুং ২৬ নি য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক য়ুথক্তা পোকই। থৰানমিচাক লিক্লা শাফবীনা পাল্লি। থৌনি পোৎলমদি তাক্লাদগী ঈশিং, লৈশং, হৈজাং, চংবী লফুগী লা নৎত্রগা লায়াই নৎত্রগা ঈতাদবা থম্না, শরেং শংনা লাংবা, খুন্থোঙ থাঙ, নোংলৈশংগী শীং, মৈথাঙ মঙারক লৌগনি। নাপী শিংবীনা নাহে নাশেংগনি।

খাবা-ঙানবা কালেনগী নিনমাং ১০ নি নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক য়ুথক্তা পোকই। থৰানমিচাক খোংচোন্নুবীনা পাল্লে। থৌনি পোৎচংদি লৈতাংগী ঈশিং, লৈশং, লৈহৌলা, শরেং ঙাংনা লাংবা, চিনাইবা থাঙ, হৈবা/হৈবুং, চীং য়েনশিন্না শীং ওইগনি। নাপু নাশেন্না নাহৈগনি। মৈদি লৈখাম্না মৈৰায়গনি।

লাই পাখং তরেৎনা তাংজা লিনশক ওইনা খোইমোম লাইবু ওইঙৈদা খাবা তৌশুবনা তৌরেন খুত্তা শুনা লাইস্না ফৌফৌফমদা ঙাইরগা লাই ওইবা য়ারোয় হায়দুনা লাই পাখং তরেৎপু পুরুম চীং মখোঙদা ফেন্থরে। মশানৌ খোইমোম লাইবু শাবী লাইস্নানা মতারোয়শিং চিৎনু থম্নু, অহুম্নু, আরৈনু, থেরেলোংবম চনু, তোন্থাংনু কৌবী মখোয় তরেৎনা নুংচেং ঙাতা পাৎতা লেমলৈ চেপকোৎ লোংবু লোংফান্দুনা খোনখৎলে। লাইস্না মৈতৈ লৈমনা পাখংবা খোল্লে। লাইয়িবী অহুমনুনা অঙোম খোল্লে। তুংৰাইবী থোইনুনা লুৰাং খোল্লে। মাংৰাইবী তোন্থাংনুনা খুমন খোল্লে। লফুবী অরৈনুনা সারাং লৈশাংথেম খোল্লে। চিৎনু লৈমনা মোইরাং খোল্লে। থেরেলোংবম চনুনা খাবা-ঙানবা খোল্লে (পাখংবা লাইহুই)। সলাই লাই পাখং তরেৎ পোকপগী ৰারী লিখুন্দি অসিনে। লিখুন অসিদি লাইয়িংথৌ নোংতা লোইরেন পাখংবনা লাংবা চক্কী কুমশীং ৩১৩৫ শুবদা কংলৈ পুঙদা নিংথৌ ওইদুনা চহী ১২০ পানখিবগী মনুংদা থোকখিবা ৰারীনি।

# চাওখৎপা (সিভিলাইজেসন)

**— অমুমচা মঙাংচা —**

***মালেমগী*** কাচিন-কোয়া শিনথুংনা খুন্দা লৈতারিবা, মপুং ওইনা লোন, ময়েক, চৎনলোন, লাইনীংলোন অমদি লৈঙাক্লোন মান্নদবা, শকমান্নদবা মীয়াম্না খঙনরিবা অমদি পাম্নরিবা 'চাওখৎপা' (সিভিলাইজেসন) হায়বসি মখল অনী শুই। মখোয়শিং অদুদি অহানবদা মীগা মীগা নুংশিনবগী চাওখৎপা (হ্যুমেনিতি সিভিলাইজেসন) অমদি অনীশুবদা খূৎ-শা হৈবগী (টেক্নোলোজিকেল সিভিলাইজেসন) চাওখৎপা (টেক্নোলোজিকেল সিভিলাইজেসন) নি।

মীগা মীগা নুংশিনবগী চাওখৎপা করিনো হায়বদুগী মতাংদা শল্লপ্না ৰাফম খরদং নৈনজগে, ৰারৌবিরোই। মালেমগী মনিং মখা তল্লবা অমদি তমদ্রিবা মীয়াম্না খুন্দা লৈতারিবা লৈপাকশিংগী মরক্তা লৈপাক অমনা অমবু মখোয়গী খুবাম্লুংদা থমদুনা, লৈঙাক্লোন, শেম্মিৎলোন, খুন্নাইলোন অমদি অতৈ হীরমশিংদা নমথবীবা অমদি নৈহৎপীবগী ওন্ন তৈনবদা, লৈপাক অমগা অমগা থাজনবা, শৌগৎনবা তেংবাঙনবা অমদি হিংমিন্নবগী (কো এজিসটেন্স) পান্দম (আইদোলোজি) মখাদা ঈং তপ্না তংদু লৈতানা নুংশিননা অমদি নুংঙাইনা হিংমিন্নবা হায়বসি মীগা মীগা নুংশিনবগী চাওখৎপনি।

মালেমগী অচৌবা মপাঙ্গল কনবা, শেঙ্গাও পায়বা অমদি মরৌশিং লৈবা লৈপাক্কী মীয়াম্না হায়বদি লৈঙাক লূপ (গভর্ণমেন্ট) অদুনা পাঙ্গল শোনবা, লায়রবা অমদি মরৌশিং লৈজদবা লৈপাকশিংগী মীয়াম্বু, হিরম খুদিংমক্তা তেংবাঙবিদুনা অমদি শৌগৎপীদুনা নুংশিননা হিংমিন্নগদবনি। মরিক চুম্বা অমদি ফজবা লৈঙাক্লোন, শেম্মিৎলোন অমদি খুন্নাইলোনগী ৰাখল্লোন খঙ হৈরবা লৈপাকশিংনা, খঙজ হৈজদ্রিবা অপীকপা, লায়রবা অমদি পাঙ্গল শোনবা লৈপাকশিংগী মীয়াম্বু তাকপী তম্বীদুনা লৈপাক অমগা অমগা নুংশিননা হিংমিন্নবা হোৎনগদবনি।

অহানবা অমদি অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও (ফার্ষ্ট এন্দ সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱার) থোকখ্রিবা অসি মালেমদা মীগা মীগা নুংশিনবগী চাওখৎপা (হ্যুমেনিতি সিভিলাইজেসন) অদু লৈতবদগী থোকখিবনি হায়বসি তশেংনা চুল্লবা অমদি কক্লিংঙাই লৈত্রবা ৰাফমনি। মালেমদা মীগা মীগা নুংশিনবগী চাওখৎপা অদু ময়েক শেংনা লৈরম্লবদি, অহানবা অমদি অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওদা শিখিবা মীয়াম অমদি মাঙখিবা লন থুম ময়াম অদু ওইথোক্তবনি লোয়ননা অনীশুবা লাঞ্জাওদা থাদখিবা এটোম বোম্না পীবা চৈবী-চৈথেং ঙসি ফাওবা মায়োক্নরি। ঙসি ঙসিমক মালেমগী মীয়াম্না, মালেমদা থিংবা ঙম্লোইদবা অহুমশুবা মালেমগী লাঞ্জাও (থার্দ গ্রেট ৱর্ল্ড ৱার) অমা শোয়দনা থোক্তুনা মালেমগী মীয়াম উৎ (এশ) ওইনা তুমখ্রগনি হায়বগী নিংদোন পোম্নরিবনি। অসিগুম্বা অহুমশুবা লাঞ্জাও (ন্যুক্লিয়র ৱার) অসি থিংনবা অমদি থোকহন্দনবা হায়বদি মালেমগী মীয়াম্না নিংদোন পোম্নরিবা অসিবু থোকহন্দনবা পান্বে লৈ।

ঙসিগী মালেমগী লৈপাকশিংগী (য়ু এন মেম্বর কন্ত্রিজ) মরক্তা মীগা মীগা নুংশিনবগী চাওখৎপা অদু ময়েক শেংনা পুরকপা ঙল্লবদি, করিগুম্বা মতমদা অহুমশুবা মালেমগী লাঞ্জাও থোকপা হায়বসি ওইথোক্তবনি। মালেমগী মীয়ামগী য়াইফনবা, কান্ননবা, নুংঙাইনবা অমদি অনা অয়েক কয়াদগী ঙাকথোক্নবা, খূৎশু খূৎলায় অমদি হীদাক-লাংথক কয়া পুথোকপগী মথক্তা, মীয়াম্বু তুম্না মাঙহনবা ঙম্বা খূৎশু-খূৎলায় কয়া শাবদা লমজেল তান্নরি। লৈপাক অমনা অমবু নমথনবা নৎত্রগা খুদুম চনবদা অমদি মীয়ামগী অচুম্বা ঈহৌবু (জষ্ট এজিটেসন ওর মুভমেন্ট) লাকশিন্নবা হোৎনবদা শীজিন্ননবা খূৎশু-খূৎলায় কয়াসু শানরি, পুথোক্লি লোয়ননা হিদান্নরি।

নাকল অমরোমদা, মীয়াম্বু তুম্না মাঙহনবা ঙম্বা খূৎশু-খূৎলায় শাবা অসি তোক্নরসি, লেপ্নরসি হায়দুনা মালেমগী লৈপাকশিংগী মরক্তা য়ানচে (ত্রিটি) কয়া, খুদম ওইনা এন টি বি টি (ন্যুক্লিয়র টেষ্ট বেন্দ ত্রিটি), ন্যুক্লিয়র নন-প্রোলিফিরেসন ত্রিটি (এন এন পি টি) অসিনচিংবা লূপ (ওর্গেনাইজেসন) কয়ানা খূৎয়েক পীনরি। অদুবু লাইবক থিবদি অসিগুম্বা খূৎয়েক পীনবা লৈপাকশিং অদুগী মনুংদা মীগা মীগা নুংশিনবগী চাওখৎপা (হ্যুমেনিটি সিভিলাইজেসন) অদু খঙদবনরা নৎত্রগা পামদবনা অচৌবা মরম ওইদুনা, য়ানচে (ত্রিটি) অদুদা ইদুনা য়াওরিবা ৰারোলশিং অদু থবক ওইনা অমত্তা পাঙথোক্ল দে। শুপ্নতগী মালেমগী শিংজদ্রিবা অমদি অচুম্বা পাম্বা মীয়ামগী মিত্তা উৎ চাইবনি। মরমসিনা, মালেম লৈপাকশিংগী মীয়ামদা মীগা মীগা নুংশিনবগী চাওখৎপা (হ্যুমেনিটি সিভিলাইজেসন) করিনো হায়বসি ময়েক শেংনা খঙহন্নবগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং মালেম শিন থুংনা পাঙথোকপদা নত্তনা পাউজেল (মেসেজ) পীবগী তঙায়ফদবা লৈ।

মীনা মীবু নৈহৎপগী (এক্সপ্লোটেসন ওফ হ্যুমেনকাইন্দ বায় হ্যুমেনকাইন্দ) চৎনবী অসি মালেমগী খুন্নাই শক্তমগী মথং মনাও (হ্যুমেন সোসাইটিজ সেরিজ) গী মতুং ইন্না য়েংবদা, মীহৌরোল খুন্নাই (প্রিমিটিব সোসাইটি) গীনা লোইশিল্লকপা মীনায় নায়থাং খুন্নাইগী (স্লেভ সোসাইটি) না হৌরকপা হায়বদি খুন্নাই অনী অসিগী লোন্নবা মতমদুগী চৎনবা হৌরকখি লোয়ননা খূৎ-শা হৈবগী চাওখৎপা (টেক্নোলোজিকেল সিভিলাইজেসন) অদুসু মাংলোমদা চঙশিনবা হৌরকখি। মীহৌরোল খুন্নাইগী তাঙ্কক অদুদদি মীয়ামলক্তা মীগা মীগা নুংশিনবগী চাওখৎপা অদু ময়েক শেংনা লৈরম্মী। লায়বক থিবনা, অসিগুম্বা ফজখ্রবা অমদি অচুম্বা মীগা মীগা নুংশিনবগী চাওখৎপা অদু মীনায় নায়থাং খুন্নাই (স্লেভ সোসাইটি) গী তাঙ্কক্তগী মাঙবা হৌরকপনা, ঙসিগী খুন্নাইগী তাঙ্কক হায়বদি (কেপিটালিষ্ট সোসাইটি) অসিদদি মালেমগী লৈমায়দগী উবা ফংদনা মাঙখ্রে হায়বসি তশেংনা চুল্লবনি। মীগা মীগা নুংশিনবগী চাওখৎপা অদু লৈখা তাখিবনা অচৌবা মরম ওইদুনা, মালেমগী লৈপাকশিংগী মরক্তা হায়বদি মীয়ামলক্তা অমগা অমগা থাজনবগী, শৌগৎনবগী, তেংবাঙনবগী অমদি হিংমিন্নবগী ফজখ্রবা ৰাখল্লোনগী শক্তম অদুগী ওন্ন-তৈনবদা ঐগী হায়বা ৰাখল্লোন্না খুদুম চনখ্রে।

নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদদি, করিগুম্বা অনাবগী লায়চৎ অমনা পাক্তক্লনা মীওই কয়াগী পুন্সি লমখাংদা মাঙহল্লম্মী। অদুবু ঙসিদি হীদাক লাংথক্কী চাওখৎপনা (মেদিকেল সিভিলাইজেসন), অদুগুম্বা অনাবগী লায়চৎ কয়াদগী অয়াম্বা ঙাকথোকপা ঙল্লে। খুন্নাইগী মীয়াম্না নাদ য়েক্তনা য়াইবী মরাং কায়না হিংনবা হোৎনবদা হীদাক লাংথক্কী চাওখৎপা অসিসু ঙম্নমক মথৌ তাই। মসি নত্তবা মীওইবা খুন্নাইনা নুংঙাইনা হিংনবা হোৎনবদা মান্নদবা হীরম কয়াদসু চাওখৎপগী শক্তম কয়াসু মীয়াম্না উবিরিবদুনি। নাকল অমরোমদা, মীওইবা ঐখোয়না ঙাকথোকপা অমদি কনবা ঙমদবা মহৌশা খূৎশেম্না পীবা চৈবী-চৈথেংনা (গোদ মেদ দিজাষ্টর নৎত্রগা নেচরেল কলামিটি) মীওইবগী পুন্সি অমদি লন-থুম কয়াবুসু মাঙ তাকহল্লি। লৈশা নিকপা (আর্থক্বেক), ঈশিং ঈচাও (ফ্লদ), নোংলৈ নুংশিৎ (ষ্ট্রোম) অমদি ঈশিং ঈপোম (সুনামী), মৈগী চীং পোকখায়বা (ভোলকেনো ইরপসন) অসিনচিংবা ময়াম অসি ঙসি ফাওবা মালেমগী কনাগুম্বা অমত্তনা নৎত্রগা লৈপাক অমত্তনা থিংবা ঙমদ্রি। মহৌশা খূৎশেম্না থোকহনবা মীশি-মীনা অমদি অমাং-অতা কয়া অসিগী মথক্তা, মীওইবা ঐখোয়না খূৎশা হৈবগী চাওখৎপা (টেক্নোলোজিকেল সিভিলাইজেসন) গী মরুম থুপ্না হায়বদি বোম-তোপ, নোংমৈ, এটোম অমদি ন্যুক্লিয়র ৱিপন অসিনচিংবা খূৎশু-খূৎলায় কয়া শীজিন্নদুনা মশীং থিঙমদ্রবা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনবতা নত্তনা য়াল্লবা লন থুম কয়াবুসু মাঙহল্লি (মেন মেদ দিজাষ্টর)। মসি মীনা মীবু নুংশিবগী চাওখৎপগী খুদম নত্তে। খূৎ-শা হৈবগী চাওখৎপগী খুদমনি। খূৎ-শা হৈবগী চাওখৎপনা মীওইবা খুন্নাইগী কান্নবা অমদি নুংঙাইবসু পীরি। খুদম ওইনা, লৈনুংগী পোথোক, হীদাক লাংথক্কী পোথোক, জিপ, কার, ত্রেন, এরোপ্লেন অমদি অরাপ্পা মফম অমগা অমগা পাউ ফাওননবগী পোথোক অসিনচিংবনি।

মরমসিনা, খূৎ-শা হৈবগী চাওখৎপসু মালেমগী মীয়াম্না নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না হিংনবা হোৎনবদা ঙম্নমক তঙায়ফদে। খূৎ-শা হৈবগী চাওখৎপনা মালেমগী মীয়ামদা পীবা খুদোল হায়বদি অশি-অনা অমদি অমাং অতা (মেন মেদ দিজাষ্টর) থোকহল্লিবা অসিবু থিংননবা মালেমগী মীয়াম পূম্নমক্না পূন্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবগী মথৌ তাই। মীগা মীগা নুংশিনবগী চাওখৎপগী মঙাল অদু মালেমগী মীয়ামদা ময়েক শেংনা লৈরবতদা, অসিগুম্বা খূৎশেম্না থোকহনবা চৈবী-চৈথেং কয়া অসি শোয়দনা থিংবা ঙমগনি। করিগুম্বা ঐখোয়না খূৎশেমনা থোকহনবা চৈবী-চৈথেং অসি থিংহৌদ্রবদি, অতেনবা মতমগী মনুংদা ঐখোয় মীওইবতা নত্তনা মালেমগী লৈমায়দা হিংলিবা থৰায় পানবা খুদিংমক তুম্না মাঙখ্রগনি।

লোইশিল্লকপদা, মীগা মীগা নুংশিনবগী চাওখৎপা অদুনা মাঙজিল থাগদবনি। মথংদা মীওইবা খুন্নাইদা কান্নবা অমদি নুংঙাইবা পীরিবা খূৎ-শা হৈবগী চাওখৎপা অদুনা তুংওইননা ইন্নগদবনি। অসুম্না তৌরবা মতম অদুদা, মালেমগী মীয়াম অসি অমত্তা ওইনা অচৌবা খুঙ্গং নৎত্রগা লৈকায় (গ্লোবেল ভিলেজ) অমগী মনুংদা নুংশিননা অমদি তেংবাননা হিংমিন্নবা ঙমগনি হায়বসি তশেংনা চুল্লবা ৰাফমনি।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি / ৱাকৎ / মীয়ামগী খোল্লাউ / পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## শোয়রগা খন্থবনদি কান্নররোই

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**লাইদা** পৈশা কৎলগা থম্মোয় শেংনা খুরুম্লগা লাই ইবুংঙো মানা পেনবীগদৌরিব্রা? খুরুমজরিবা মহাক্কীদমক অনিংবা অপাম্বা বর পীরক্কদৌরিব্রা? লাই মানা পাল্লিবদি পৈশাদু ওইরোইদৌরিবনি। কৎলিবা হৈরাং-লৈরাং থম্মোয় শেংনা নিজরিবা, খুরুমজরিবা মদুমক থাজনা থৌনিজরবা থাজবা হায়বদু ওইদৌরিবনি। লাইদা কৎলিবা পৈশাদুনা কনানা লৌদৌরিবা? পৈশাদুনা লাই পান্নরিবা মহাক্তগী অদুমক ওইদৌরিবনি। লাইদা কৎপদা পৈশা য়াওনা কৎপা, পৈশা য়াওদ্রবসু কনানসু করিসু হায়রোই অদুম্ন দি ওইরবদা পৈশা কৎতবা মীওইদুবু অউবা মীওইশিংনা করিনো অমদি খল্লদবনি। চৎনবীনি হায়দুনা পৈশা য়াম্না চঙগদবা চৎনবীদি য়ারিবমখৈ ইন্থোকখিনবা হোৎনবা, মসিনা খ্বাইদগী অফবা হায়বদু ওইদৌরিবনি। লাই ময়ামদগী খ্বাইদগী শেনকৎ পৈশা মরাং য়াম্না কায়বা অমা হায়বা তারবদি শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্র মহাপ্রভুনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মান্দপ ময়ায়দা ঈশৈ শকপগী মনুংদা লুহোং-খোংদোংবা নত্তনা অতৈদি অদুমক য়াওরবনি।

শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্র নমঃ থাবা কাঙলুপসিদা ইবুঙো মহাক্তুমক য়াওরগদবনি। অষ্ঠি সঞ্চয়, শ্রাদ্ধ, ফিরোই ঙম্নমক য়াওরিবনি। পৈশাসু কৎপা, লৈসু কৎপা, খুরুম্বসু খুরুম্বা, য়াম্না তোইনা থেংনগনবা লাই ইবুংঙো অমা হায়বা তারবদি মহাক নত্তনা লৈত্রবনি। মী ফাওবা লৈফম লৈত্রদুনা অৰাবা অমা ওইনরক্লবা হৌজিক্কী মতমসিদা ইবুধৌনি-ইবেন্ধৌনি হায়দুনা লাইশঙ অমা শাদুনা ধুপ-থাউমৈ থাদুনা নুমিৎ খুদিংগী ইরাৎ থৌনি তৌবা মশীং হেনগৎলক্লিবনি। ইশাগী য়ূমদা থৌনিজরিবা ইবুংঙো সনামহীদগী হেন্দোক্তুনা মশীং খঙদবা মখৈ লাই নীংনরকপা মসিগী হায়রুরবদি মীপুম খুদিংসে ফত্তবা থবক তৌরম্মোই, অফবা থবক তৌবা লাইনীংগী কাঙলোন ঙাক্লা চৎপা মসিঙাক্তা ওইরমগদবদা হিংজ্রৌ-মাংজ্রৌগী ৰাখল লৈবা মীগী মশীং অসুম-অসুম পাক চাওথোরকপনা লৌবুক-লক্ষ্মাং, চীংখোং-চীংয়া ফাওবা করি করিগুম্বা মতমদা য়ৌরক্কদবগী ঙাইদুনা লৈরবনি। থবক্তি শুদনা লাই নীংলগা হিংগনি খল্লিবা মহাক অদু নোংমা-নোংমগী অৰাৎপনা মশীং হেনগৎলক্তুনা অৰাবা হায়বদুমা মশা মথন্তা কোকথোংনরগদবনি। মী অমা ওইনা পোল্লগা খ্বাইদগী ৰাখল নুংঙাইনা ইন্দ্রি শেংনা লৈগে নীংলবদি থবক শুগদবনি। মসিগা লোয়ননা ঐহাক ইশানা থাজরিবা লাই ইবুংঙো-ইবেম্মা নীংবদা ৰাখল নুংঙাইবা, মীগী ফত্তবা খন্দবা, শা-ঙা চানিংদবগী ৰাখল শোয়দনা লাক্কদৌরিবনি। লাই মহাকপু থাজনা নুমিৎ খুদিংগী নীংলবা শাহিং-ঙাহিং চাবগী ৰাখলদি লৈররোইদবনি। কৈশুমশঙনা কৌরবা, মোংফম্না ঙাইবগী থবকসিমা তৌগে খল্লরোইদবনি। মসিবু হেক খন্দ্রিবমখৈ মী অমা ওইনা মীগী মগুণ হায়বদু ওইদৌরিবনি। তাইবঙ পানবসিদা কনাসু শিনিংদে, কনাসু অহল ওইনা হিংনিংদে। অৰা-অনা লৈতনা, মরেক-মহাও থোক্লা খুয়া তুশিংনা হিংনীংবা ঙাক্তনি। মশীং থিঙমদনা লৈরিবা থৰায় পানবা মখল কয়াসিগী মনুংদা খ্বাইদগী অথোইবা ওইনা লৌনরিবসি তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়নি। খ্বাইদগী অথোইবনি-অশিংবনি হায়নরিবা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না করিগীদমক ঐখোয় মশেল হাৎনরিবা? করিগীদমক লান তৌনরিবা? করিগীদমক বোম পোকখায়হন্দুনা মরাল লৈজদবা কয়াগী পুন্সি মাঙহল্লিবা? সনাতন লাইনীংগী চৎন-কাঙলোন্দা - (১) থৰায় পানবা হাৎলোইদবনি। (২) ময়ায় কাবা পোৎ শীজিন্নরোইদবনি। (৩) শেল থানদুনা করিগুম্বা মখলগী মশান্না জ্বারনচিংবা শোক্লোইদবনি। (৪) কাঙলোনগী ৰাংমদা ঈশিং থোংবু লান্না শীজিন্নরোইদবনি।

পঞ্জরিবা কাঙলোন মরিসিবু ঙাক্লা চৎপদা খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈনিংঙাই ওইদ্রবনি। পাপ কয়ানা য়োমশিন্দুনা হিংলিবা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না অমুকসু ইশা-ইশানা তৌজরুবা পাপকী মহয় ফংবদা করিনুংগী তৌজরুবনো খল্লুবা, মদুনা মাঙজৌননা খল্লম্বা থোক্লুবা করিগীদমক চৈরাক ফংদৌরিবা? করিগীদমক কৈশুমশঙ য়ৌদৌরিবা? খুদুম শিংদুনা লাক্লগা খুবাক তিংদুনা হনখিগনি। মসিমক নোংমগী মনুংদা মীকুপ অমতা ওইরবসু খন্থবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈরবা গুলাপকী, থম্বালগী, উ থম্বালগী, চিনি চম্প্রাগী লৈনমগুম লৈতনিঙাই লৈরোই। লৈগী লৈনমদা নমথিবা য়াওদবনি। মীগী মনমদি হায়রুদনা করি কান্নগনি। নচিন-ননাও, নপা-নচা নুংশিনদ্রগা লাই নীংলবা, ক্বাক্লা ৰাহোংগী মতু থেৎপগুম্বনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা, খুরাই লাইৰাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

## পোলিটিক্সকী খুদোংচাবখক লৌনবা হোৎনবীগনু

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**ঙসি** ঐখোয়গী মণিপুর খুন্নাইসিদা মরুওইনা থোকখিবা থৌদোক ৰাথোকশিং হঙ্গৎনা অমদি হন্থুনা তাঙ্কক কয়ারক থোক্লা খূৎ থেক্তুনা নৈনদুনা য়েংজবদা ঙসিগী লৈবাকসিগী মরুওইবা ইশ্যুশিং লৈবাক ৰাথোক ওইদনা লোইশিনবা ইশ্যু থোইনা থেংনজদ্রি। করিগুম্বা মতমদা ঙসিগী লৈঙাকলোন মরুওইনা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা য়াম্না তোয়না হায়গনবা ৰাফম অমতং পঞ্জরবদা 'কংলা' দগী আসাম রাইফলস লৌথোকখিবসি মতমদুগী পানখিবা লৈঙাক্লা মীচম মীয়ামগী ঈহৌ য়াওদনা নোর্মেল্লি আসাম রাইফলশিং লৌথোকখিব্রা?

মণিপুরগী শেংলবা লাইফমলেননি হায়রিবা ঙসি কংলাদগী আসাম রাইফলশিং লৌথোকহনখিবদি মণিপুরগী মীয়াম্ননি হায়জনীংই। কংলাদগী আসাম রাইফলশিং লৌথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌবীখিবী মণিপুর ইমাগী মিংথোন ফংলবী ইমা ১২ অমদি লৈখিদ্রবী থাংজম মনোরমা থৰায় পানবশিংনা মৈতালনা ৰাখৈদ্রিবা ফাওবা পুন্সিদা কাউররোইদৌবা থৌদোক অমনি। পূম্নমকশিং অসি ঙসিগী পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ইলেক্সন ময়াদা অপংবা মীচম মীয়ামদা উৎ চাইদুনা ঙাঙবা শকপা মণিপুরগী মীয়াম্না খক তাবীফম থোক্তে। মখোয় মখোয়শিংদগী মিকুপ নাহুম শিংনা লৈবাকসিগী ঙসিগী পীক্লিবা মমাগী খোল্লাং কোক্ত্রিবা ইচা ইশুশিংগীদমক্তা য়েংবীরগা মুন্না খন্থবগী তাঞ্জা য়ৌরে।

মণিপুরগী মরু ওইরবা ৰাথোক ওইরিবা ইশ্যু ইন্নর লাইন পার্মিট ঙসিগী পাল্লিবা, মমাঙদা পানখিবা লৈঙাক্লা মশা-মশানা এসেমব্লিদা করম্বা মতমদা পাস তৌখিবা য়াওখ্রবগে? লৈবাক ঈরাং হৌদুনা, মীশি-মীনা কয়া থোক্লুবা মতুংদা তৌরকখিবা নৎতব্রা? মণিপুরগী মরু ওইবা ইশ্যুশিংদা মণিপুরদা লৈবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অতোপ্পা পার্টিদা য়াওখিদবা পার্টি কনাবু লৈবগে? খুদিংমকশিং নমাই পাক্লা ক্রেদিট লৌগে খল্লবদি নশা-নশাগী তৌফম থোকপা নথৌশিং মতম চানা থবক্তা ওন্থোক্তুনা নশাগী নরমদমসিগী য়েংলগা থবক তৌনবা হোৎনবনা পূম্নমক্কী য়াইফবা, অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি থাজবীয়ু। মণিপুরদা লৈরিবা মীয়ামসু ৰাখল তাদ্রবদি ঙসিগী ৰারিবসিদগী অমুক্কা হেন্না ৰারকখিনি হায়বসিদি ইশা ইশানা কাউবীদবা ফগনি। ঙসি ঐখোয় পূম্নমকপু ৰাহল্লিবসি ঙসিগী লৈঙাক্লা পীরকপা খুদোলনি। মসিদগী করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বা খন্থবা মতমনি।

ঙসিগী লৈঙাক হোম দিপার্টমেন্টগী মখাদা কুমজা ২০১৩ দা পুলিস কন্সটেবল লৌখিবা ঙসি ফাওবদা ফল হায়দোক্তনা থবক্তা ওন্থোরক্তবগী মতাংদা কৌখিবা মণিপুর বন্দ নীংশিংবা য়াই। বন্দ কনানা কৌহল্লিবা, বন্দগী চৈথেংনা কনাদা পীবা, লৈঙাক অমা লৈরগা থবক্কী পোষ্ট খরা লৌবা ফাওবদা চয়েৎ-খোইয়েৎনবা থোকহনবদগী কোর্ট ফাওবা য়ৌরক্তুনা লৈবা হায়বসি ইকায়বা পোকফম থোক্ত্রব্রা? মখা তানা অমুকসু পোষ্ট কয়া অমা লৌগনি হায়দুনা থবক চথুরিবশিং অসিনা মণিপুরদা বন্দগী মশীংসু নোংমা নোংমগী য়ামখৎলক্কনি। লৌরিবা ঙসিগী পোষ্টশিং অসিনা ঙাক শেল্লগা টিয়র গ্যাস সেল অমদি মোব বোমশিং কাপ্পরোমদা শীজিন্নরবদি অফবা লৈঙাকনি হায়না খক ঙাঙনরোই, মসি খঙনা থবক তৌবা ফৈ।

*অদোমগী - কোন্থৌজম মনিহার সিংহ, সেকমাইজিন খুনৌ*